## ভাইওলেন্স হেনগৎলক্লি

কাবুল, মার্চ ১৪ (এজেন্সি) :

লানগী চৈথেং নংলবা অফঘানিষ্টানদা হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিং হন্থহন্নবগী পান্দমদা হৌখিবা থাদা টালিবান্না য়ু এসকা পিছ দিল অমা খুৎয়েক পীনখিবা লৈরবসু হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিনা প্রোভিন্স ১০দা লৈরিবা অফঘান ফোর্সশিংগী মায়োক্তা এটেক ৯৫ চথখ্রে হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সনা ফোঙদোকখ্রে।


টোলো ন্যুজনা মিনিষ্ট্রি অসিগী ৱারোল পল্লদুনা হায়রি মদুদি, প্রোভিন্স ১০ অসিদা লম্বীগী নাকলদা বোম পোকখায়হনবা, সেল কাপ্পা, রোকেট কাপশিনবা অমসুং নোংমৈগী ওফেন্সিপশিং য়াওনা মিলিটেন্টশিংনা এটেক চথখি।

## কর্ফিয়ু লাউথোকখ্রে

মানিলা, মার্চ ১৪ (এজেন্সি) :

ফিলিপিন্সতা কোরোনাভাইরসনা মরম ওইদুনা মীওই ৮ শিখিবগা লোয়ননা নোংমগী মনুংদা অনৌবা কনফার্ম তৌরবা কেস ৩৪ রিপোর্ট তৌখিবা মতুং থাংজ নুমিত্তা লাইচৎ অসি কন্ট্রোল তৌনবা লৈবাক অসিগী ওথোরিটিশিংনা অহিংগী মতমদা কর্ফিয়ু লাউথোকখ্রে অমসুং সোপ্পিং মোলশিং থা অমা থোঙ লোন্নবা ওর্দর তৌখ্রে হায়রি।

# মালেমদা কোরোনাভাইরস থুনা শন্দোরকপদগী ট্রম্পনা য়ু এসতা নেসনল ইমর্জেন্সি লাউথোকখ্রে



ৱাশিংটন, মার্চ ১৪ (এজেন্সি) :

মালেমদা কোরোনাভাইরস খোঙজেন থুনা শন্দোরত্তুনা লৈবাক কয়াদা কাং-খোং চাইবগী ফিভম লাকখিবগা ইরোয়ননা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ইরাই নুমিত্তা মহাক্কী লৈবাক্তা নেসনল ইমর্জেন্সি লাউথোকখ্রে।

খোঙথাং অসিনা মালেম পুম্বদা মীওই ১৩৮,০০০ হেন্না ইনফেক্সন থোকহনখ্রবা অমসুং মীওই ৫,০০০ হেন্না শিহনখ্রবা ভাইরস থেংননবা গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী অহেনবা তেংবাংগী শেনফম কায়থোক্লবগী লম্বী ফাৎলগনি হায়রি।

কোরোনাভাইরসনা মালেম পুম্বগী মীয়ামগী মহৌশাগী ওইবা পুন্সিদা চাওনা চৈথেং পীরক্লি। ভাইরস অসি অহানবা ওইনা মালেমগী মফম কয়াদা দিটেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না মালেম শীন থুংনা ভাইরস অসিগী লাইচৎ থোক্লে হায়না লাউথোকখ্রবনি।

দব্লিয়ু ঐচ ওগী মতুং ইন্না মালেম শীন থুংলক্লবা লাইচৎ অসিগী ইপিসেন্টর হৌজিক য়ুরোপ্পা ওইরি। স্কুল অমসুং বিজিনেস কয়া লেপ্তুনা থিংজিন্নরক্লি। ফেদরেল গভর্নমেন্টনা কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবা হোৎনবদা পৱার মপুং ফানা শীজিন্নবা ঙম্নবগীদমক্তা ঙসি ঐহাক্না ওফিসল ওইনা নেসনল ইমর্জেন্সি লাউথোক্লি হায়না ট্রম্পনা হ্বাইট হাউসকী রোজ গার্দেনদা পাউমীশিংগী মমাংদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা য়ু এসকী ফিভম হেন্না ফৎচিল্লক্তবা য়াই অমসুং মথংগী চয়োল ৮ গী মনুংদা লাইচৎ অসি লৈবাক অসিদা হেন্না লুশিল্লকপা য়াই হায়নসু ফোঙদোকখি।

হৌজিক ফাওবদা ফেদরেল এইদ ওইনা ষ্টেটশিং অমসুং লোকেলিটিশিংদা দোলর বিলিয়ন ৫০ গী শেনফম ফংহল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রবা ট্রম্পপু ক্রাইসিস অদু থেংনবদা তপথদুনা লৈ অমদি ইফিসেন্ট ওইদে হায়রদুনা এক্সপার্ট খরনা ক্রিটিসাইজ তৌখিবনি।

অমরোমদা, ট্রম্পনা নেসনল ইমর্জেন্সি লাউথোকখ্রবা মতুংদা দেমোক্রেটশিংনা কন্ট্রোল তৌবা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভশিংনা থাংজ নুমিত্তা কোরোনাভাইরস শন্দোরকপগা মরী লৈননা অচৌবা রিলিফ পেকেজ অমা পাস তৌখ্রে।

## য়ু এসনা এয়র ষ্ট্রাইক চথখ্রে, বাঘদাদনা ৱার্নিং তৌখ্রে



বাঘদাদ, মার্চ ১৪ (এজেন্সি) :

য়ু এসনা ইরাই নুমিৎকী অহিংদা এয়রষ্ট্রাইক চথবদা মীওই ৬ শিখিবগা লোয়ননা ইরাক্না থৌওং অদুবু কন্দেম তৌখ্রে অমসুং লৈবাক অদুগী সোভরেন্টি খোঙ্গাওনবা অমসুং রেগ্যুলর আর্মর্দ ফোর্সেসকী মায়োক্তা অতম্মনা টার্গেট তৌদুনা এটেক তৌবগীদমক্তা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ফিভম কয়া মায়োক্নরক্কনি হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

ইরাক্কী প্রসিদেন্ট বরহম সালিহনা হায়খি মদুদি, হঞ্জিন হঞ্জিন্না ইরাক্কী সোভরেন্টি খোঙ্গাওনবগী থৌওংনা লৈবাক অদুবু ফেল ওইরবা ষ্টেট অমা ওইহন্দুনা লমদম অদুদা ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্ট গ্রুপ অমুক হন্না হিঙ্গৎহনবা য়াই। ইরাক্কী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী য়ু এসকী খোঙথাং অদুগী মায়োক্তা য়ুনাইটেদ সেন্সসতা কমপ্লেন্ট অমা থাঙ্গৎনবা থৌরাং তৌরি হায়নসু লাউথোকখ্রে।

অমরোমদা, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা এয়রষ্ট্রাইকশিং অদুবু অচুম্বা খোঙথাংনি হায়রদুনা টার্গেট মঙামক এয়রষ্ট্রাইক চথবদা মতিক চারবা য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসন দা এটেক তৌবদা কতাইব হেজ বোলাহ মিলিস্যানা শীজিন্নগদবা ইরান্না সপ্লাই তৌবা খুৎলায়শিংগী পৈফমশিংনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা বাঘদাদকী অৱাংদা লৈবা বেজ অমদা রোকেট এটেক চথদুনা য়ু এস অমসুং বৃটিশ ট্রুপশিং হাৎখিবগী লমন খুন্বা ওইনা ৱাশিংটন্না ষ্ট্রাইকশিং অদু চথখিবনি।

# মালেসিয়াগী অনৌবা কোরোনাভাইরস কেস ৪১ লাইনিং-লাইশোনগী থৌরমগা মরী লৈনরম্লে



কুলা লম্পুর, মার্চ ১৫ (এজেন্সি) :

থাংজ নুমিত্তা মালেসিয়াদা রিপোর্ট তৌখিবা অনৌবা কোরোনাভাইরস কেস মশিং ৪১ কেপিটেল কুলা লম্পুরগী চিদাইদা পাঙথোকখিবা লৈবাক কয়াদগী মীওই ১০,০০০ রোম্না শরুক য়াখিবা লাইনিং-লাইশোনগী ওইবা থৌরম অমগা মরী লৈনৈ হায়রি।

হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না অনৌবা কেসশিং অদুগা লোয়ননা সাউথ-ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক অদুদা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন লৈরবা মীওইশিংগী মশিং পুন্না ২৩৮ শুরে। মালেসিয়াগী কোরোনাভাইরসকী অপুনবা কেস মশিং ৮১ হৌখিবা ফেব্রুৱারি ২৭ অমসুং মার্চ ১ গী মরক্তা মোস্ক অমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমগা মরী লৈনৈ হায়বসি হৌজিক কনফার্ম তৌরে।

লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর মুয়িদ্দিন য়াসিন্না ইরাই নুমিত্তা হায়খি মদুদি, মালেসিয়ানা হৌজিক অনীশুবা ইনফেক্সনগী তাঙ্কক অমা মায়োক্নরক্লি। মসিনা লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী খোঙজেন্দা অচৌবা চৈথেং অমা পীরকপা য়াই। ভাইরসকী লাইচৎ শন্দোরক্লিবসি লাকশিন্নবগীদমক ইন্টরনেসনল মীফমশিং, স্পোর্টস, সোসল অমসুং লাইনিং-লাইশোনগা মরী লৈনবা থৌরমশিং য়াওনা মী তিনবা থৌরম খুদিংমক কেন্সেল তৌরগনি নৎত্রগা এপ্রিল থা মনুং ফাওবা অথিংবা লৈগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়ুমথংনরিবা ব্রুনৈদা অপুনবা কোরোনাভাইরসকী কেস ৪০ গী মনুংদগী ৩৮ দি লাইনিং লাইশোনগী থৌরম অদুগা মরী লৈনৈ হায়বসি থাংজ নুমিত্তা কনফার্ম তৌখি। থৌরম অদুদা পুন্না ব্রুনৈ মচা ৮৫ শরুক য়াখিবগী মনুংদা চাংয়েংদা ১৮ পোজিটিভ ওইখি। পোজিটিভ ওইবা ৩৮ দুগী অতৈ লেমহৌরিবা মীওইশিং অদু মীওই ১৮ অদুগী ইমুংগী মীওইশিং, মরুপ-মপাংশিং নৎত্রগা থবক তৌমিন্নবশিংনি হায়না হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি। ব্রুনৈগী অনৌবা কেসশিং অদুগী মনুংদা থা ৯ শুবদা ঙাইরিবা অঙাং অমা য়াওরি। অঙাং অদু লাইনিং লাইশোনগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা নুপা অমগী মচানি হায়রি।

# চাইনাদা মপান্দগী পুশিল্লকপা কোরোনাভাইরসকী কেস মশিং হেনগৎলক্লে

বৈজিং, মার্চ ১৪ (এজেন্সি) :

নেসনল হেল্থ কম্মিসন্না থাদোকপা দেতাগী মতুং ইন্না অহানবা ওইনা মেনলেন্দ চাইনাদা মপান্দগী চঙলকপা অনৌবা কোরোনাভাইরসকী কেস মশিংনা লোকেল ট্রান্সমিসন্দা য়ুম্ফম ওইবা অনৌবা ইনফেক্সন মশিংদগী হেল্লে হায়রি।



ইরাই নুমিত্তা মেনলেন্দ চাইনাদা কনফার্ম তৌরবা অনৌবা কেস ১১ দিটেক্ট তৌখি। নুমিৎ অসিগী মমাংগী নুমিত্তা অনৌবা কেস ৮ লৈরম্বদগী ইরাই নুমিত্তা কনফার্ম তৌবা কেস মশিং খরা হেনগৎলকখিবনি। হেনগৎলক্লিবা অনৌবা কেস পুম্নমক ভাইরস অসিগী ইপিসেন্টর ওইরিবা হুবৈ প্রোভিন্সতা থেংনখিবনি।

ফাইনান্সিয়ল হব সাংহাইদা ৪, কেপিটেল বৈজিংদা ১ অমসুং অৱাং নোংচুপ থংবা প্রোভিন্স গান্সুদা ২ য়াওনা অতৈ কেস ৭তি মপান্দগী মরু ওইনা ইটালি, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং সাউদি অরাবিয়াদগী লাকপা মীওইশিংদা দিটেক্ট তৌখিবনি। থাংজ নুমিৎকী অথেংদা সাংহাইগী গভর্নমেন্টনা মখা তানা ফ্রান্স অমসুং স্পেন্দগী লাকপা মীওই অনীদা ইমপোর্টেদ কেস অনী কনফার্ম তৌখি।

কোরোনাভাইরসকী অনৌবা কেস মশিং অসিনা হৌখিবা দিসেম্বরদা লায়না লাইচৎ অসি শন্দোকপা হৌখিবা চাইনানা হৌজিক লৈবাক অসিগী বোর্দর ৱাংমদগী অনৌবা ইনফেক্সনশিংগী হেন্না চাওবা অকিবা অমা মায়োক্নরক্লি হায়বসি উৎলি।

অমরোমদা, লৈবাক মনুংগী ওইনা লোকেল মীওইশিংগী মরক্তা লায়না অসি শন্দোকপগী চাংদি লেপ্তুনা হন্থরক্লি। কম্মিসন্না ফোঙদোকখিবদা, ইরাই নুমিৎকী অথেংবা ফাওবদা মেনলেন্দ চাইনাদা মপান্দগী চঙলকখিবা কোরোনাভাইরস কেসকী অপুনবা মশিং পুন্না ৯৫ য়ৌখি।

বৈজিংগী সিটি গভর্নমেন্টনা হায়খ্রে মদুদি, মপান্দগী চঙলকপা কোরোনাভাইরসকী পেসেন্ট খুদিংমক বেসিক হেল্থ কেয়র ইন্সুরেন্সতা য়াওদবা ওইরবদি লায়েংবগী ফীশিং মশা-মশানা পুথোকচগদবনি। হুবৈ প্রোভিন্সতা হৌজিক থংনা-থংননা নুমিৎ ৯নি লেপ্তুনা অনৌবা ইনফেক্সনশিং হন্থরকপা উরি। ইরাই নুমিত্তা দিটেক্ট তৌখিবা অনৌবা কেস ৪ মক প্রোভিন্সিয়ল কেপিটেল ৱুহানদা থেংনখিবনি। মেনলেন্দ চাইনাদা হৌজিক ফাওবদা কোরোনাভাইরসনা শিহনখিবা মশিং ৩,১৮৯ শুরে হায়রি।


S³ COACHING CENTRE
(STEP TO SURE SUCCESS)
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER
ADMISSION IS GOING ON FOR FOUNDATION COURSE 2020
CLASS : IX & X
SUBJECT OFFER ARE: Science, Social Science, Math, English, Manipur
CLASS TIMING :
MORNING : 4.45 TO 7.10
EVENING : 4.30 TO 7.10
First Come First Serve
CLASS : XI & XII
SUBJECTS ARE: Physics, Chemistry, Biology, Mathematics
CLASS COMMENCING FROM
19TH FEB., 27TH FEB., 16TH MARCH, 25TH MARCH AND 1ST APRIL
Special Featrues are :
(1) Regular Test; (2) Perfect Student's help notes and Q & A.
(3) Well known Guest Faculties; (4) Practical teaching method
(5) Van Services; (6) Hostel for boys & girls
(7) Day boarding facilities
For more details please contact # 9856331259
(HL-B/5950/13 feb/2marchto17april


# য়ু কেদা মথং চয়োলদগী মীয়াম পুনবা থিংলবা য়াই



লন্দন, মার্চ ১৪ (এজেন্সি) :

মালেমদা নোভেল কোরোনাভাইরস পাক শন্না শন্দোরকপগী ফিভম লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা য়াম্না থুনা মথং চয়োলদগী হৌনা য়ু কেগী মফম খুদিংমক্তা মীয়াম তিনবা থৌরমশিং পাঙথোকপা থিংলবা য়াই হায়না গভর্নমেন্ট সোর্স অমনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

বি বি সীনা সোর্স অদুগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি মদুদি, য়ু কেগী মিনিষ্টরশিংনা গভর্নমেন্টকী চীফ সাইন্টিফিক এদভাইজর অমসুং চীফ মেদিকেল এদভাইজরগা লোয়ননা ইমর্জেন্সি সর্ভিসশিংদা প্রেসর পীবা হন্থহন্নবগী খোঙথাং অমা ওইনা থৌরাং খরা পায়খৎনবা খন্নরি।

য়ু কেদা পুন্না মীওই ৭৯৮ পোজিটিভ ওইরবা অমসুং মীওই ১১ গী পুন্সি লোমহনখ্রবা লায়না লাইচৎ অদু লাকশিন্নবা হোৎনরকপগী শরুক অমা ওইনা লৈবাক অদুগী মফম খুদিংমক্তা মরু ওইবা স্পোর্টিং অমসুং কলচরেল ইভেন্ট কয়ামরুম কেন্সেল তৌখ্রবনি।

অসিগুম্বা থৌরাং পুম্নমক অসি য়ারিবমখৈ মায় পাকহন্নবগীদমক্তা থবক ওইনা পাঙথোকপদা লুগদবা ৱাফম কয়ামরুম খন্নবা লৈরে হায়না সোর্স অদুনা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না খ্বাইদগী ফবা সাইন্টিফিক ইভিদেন্সতা য়ুমফম ওইরগা চানবা মতমদা বৃটিশ ওথোরিটিশিংনা অচুম্বা ৱারেপ লৌগনি। গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী অচৌবা মীয়ামগী থৌরমশিং কেন্সেল তৌবগী খন্নবদা থীন্থবগী মওং হান্নগী হেল্থ সেক্রেটারি জেরিমি হন্টনা মমাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রেবনি।

সেদো হেল্থ সেক্রেটারি জেনাথন অসৱার্দনা গভর্নমেন্টকী খোঙথাং অদুবু তরাম্না ওকখিবা ওইরবসু থৌরাংশিং অদুগী মতাংদা ট্রান্সপেরেন্সি লৈহন্নবা তকশিনখি।

চৈরকসিদা, মে থাদা পাঙথোক্লবা লেপখিবা লোকেল অমসুং মেয়রগী মীখলশিং চহী অমা য়ৈথোক্তুনা মথং চহী ২০২১গী মেদা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সননা ইরাই নুমিত্তা লাউথোকখ্রে। অথিংবা কয়া পার্লিয়ামেন্টকী ভিজিটরশিংনা ঙাক্লগদবনি হায়রি।

# হোং কোংগী অম্ব্রেলা মুভমেন্টকী লিদর জেলদগী থাদোকখ্রে

হোং কোং, মার্চ ১৪ (এজেন্সি) :

হোং কোংগী দিম্মোক্রেসি এক্তিভিষ্ট চান কিন-মান থাংজ নুমিত্তা জেলদগী থোরকখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৪ গী অম্ব্রেলা সিভিল দিসওবিদিয়েন্স মুভমেন্টদা মহাক্না লৌখিবা থৌদাং অদুগীদমক্তা মঙোন্দা হৌজিক নীংঙমদবা অমত্তা লৈতে অমসুং মপুং মরৈ ফারবা মীওই খুদিংমকপু দেমোক্রেটিক ইলেক্সনদা শরুক য়াহন্নবা তৌবদা কত্থোকপা হায়বসি তঙাই ফদে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখ্রে।

জেলদা লৈবা হায়বসি অৱাবগী মশক্নি। তৌইগুম্বসুং ঐঙোন্দা পেল্লত্তবা নৎত্রগা নীংঙল্লক্তবা অমত্তা লৈতে। মরমদি দেম্মোক্রেসিগীদমক্তা লাম্হেংনবদা অসিগুম্বা ফিভম অসি মায়োক্লবা চঙই। হোং কোংগী মপুং মরৈ ফারবা মীওই খুদিংমকপু দিম্মোক্রেটিক ইলেক্সনদা শরুক য়াহনবা পাম্মী হায়না চান্না মহাকপু শৌগৎপশিংদা খোঞ্জেল হৌনা লাউথোকপদা মীওই দজন কয়ানসু মহাক্কী ৱাফম অদুবু শৌগত্তুনা নিল-খোংখি।

হৌখিবা থা খরা অসিগী মতুং অসিদা হোং কোংগী মীয়াম্না নীংতম্নবগীদমক্তা থেংনবদা অসিগুম্বা সিভিল দিসওবিদিয়েন্সকী খোঙজং অসি কদায় ফাওবা তঙাইফদনা চঙবগে হায়বসি খঙনরক্লে। থবক্তগী পোত্থারবা সোসলোজিষ্ট অমসুং প্রো-দিম্মোক্রেসি মুভমেন্টকী লুচিংবা অহুমগী মনুংদা অমা ওইরিবা চান অসি নুমিৎ ৭৯ নি চুপ্পা চথখিবা চাইনানা লৈঙাক্লিবা সিটি অদুগী থবক থৌরম পুম্নমক চপ লেপহনখিবা প্রোটেষ্ট অদুদা শরুক য়ারিবশিংগী ওর্গনাইজ তৌবদা লৌখিবা মহাক্কী থৌদাংগা মরী লৈননা হৌখিবা চহীদা মীয়ামগী ইরাং থোকহন্নবা লৌতুনবদা শরুক য়াবগী মরাল শীখিবনি। অম্ব্রেলা প্রোটেষ্ট অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ঈংনা চিক্না মফম কয়াদা ফমখিবগা লোয়ননা এসিয়াগী ফাইনান্সিয়ল হব অদুদা দিম্মোক্রেসি চৎনহন্নবা তকশিল্লদুনা মরু ওইবা লম্বীশিং থিংজিনখিবনি। পনবা য়াবদি, প্রোটেষ্টরশিংনা অকনবা খোঙজংশিং চঙশিল্লবসু বৈজিংনা মখোয়গী ৱাফমশিং অদু তাবিবগী মওংদি উখিদে।


/ PILES কী ওইনা মণিপুরদা অতাঙবনি

ওজা Kabiraj Abdul Hak, Wangoi SBI Awang দা লৈবগী মফমদা চৎতুনা ওজাগী পাউতাক্কী মতুং ইন্না হীদাক চাবা অমদি তৈবা তৌবদগী খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ য়াওরম্বা, শৌজদা ব্রি-ব্রি চৎপা, হাকৎচবা, চক-চক থিনবা, খোঙ হাম্বা মপূং ফাদবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ তাবা, ইনখৎত্রি ফাওবা চংউয়াদবা, গ্যাষ্ট্রিক, খ্বাং নাবা খুদিংমক হৌজিক্তি মপূং ফানা ফজরে, অনাবা লৈতবগুম ওইরে। মরম অসিনা ওজা Abdul Hak পু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। ওজাগী Contact No. দি 8794429681, 8014623756 নি।

ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-
1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6:30-4:30 p.m.)
2. 7th MR Gate Khabeisoi, (Wed.-Thurs.) (10am-4pm)

*থাগৎচরিবা :* **Ch. Chourajit, Keishampat Junction**
HL-P/6245/15



/ দশা য়েংজরি



জন্ম কুঠী অমদি খুবাক ময়ি য়াম্না কূপথনা য়েংজরি। হীরম খুদিংমক্তা অয়েৎপা-অশোনবদু য়াম্না লায়না অতেনবা মতমদা ফনবা তানবীয়ু। চহী নিফুরোম হেন্না পাঞ্জিগী শিনফমদা খোঙদারক্লবা অমসুং থিজিনবা লেপত্রিবা, হৌজিক্তি মপূং ফানা কম্প্যুটরাইজ তৌদুনা অচুম্বা ফল খঙলবা অদুগা অয়েৎপা কোকপা ঙল্লবা, নুংঙাইবা পাউ অমনা পোকপদা ঙাইরিবা অঙাংগী কঠী ইবদা মহাক্কী মপোক্কী চাউরাকপা দশা ফ্রীদা য়েংজগনি। হেন্না কান্নরবা ৱাফম কয়া FB গী RPHAI দা ফোল্লোয়িং তৌবীদুনা খঙবীয়ু। অরুবদি jmdrphra@gmail.com দা ঈ-মেল তৌবিরকউ, খন্নসি। কাউবীরনু য়েংথোক্লবদি খঙলোই।

*Contact:*-**JM Dr. Ph. Rajendra**
(International Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Near Community Hall, Imphal East
HL-P/6169/1/2-1/3 (alt.)



/ নূংশঙ (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লি



Naorem Ibomcha

নূংশঙগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- মপান্দা পোম্বা, তংবা, ঈ তাবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোঙ চোম্থবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়র্দ), হাকুৎচবা অদুগা খোঙ হাম্বা য়াদবা অসিনি। অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরনা হকচাংদা তাং-তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎতা চিকপা, পোম্বা, পংথবা-শিথবা হকচাংগী শরুকশিংদা শিংলি-নাওরি নুংঙাইতবা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ফহন্নীংবা লৈরগদি হংবীনীংবা তানবা য়ারগনি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai
Contact Nos. 8014023792/6009147645
HL-P/6429/19feb-24march



/ হন্না-হন্না অপেনবা ফোঙদোকচরি



সুধাকর

ঐগী কিদনিদা লৈরম্বা নূং অদু শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই টি আই, ইম্ফাল মনাক্তা লৈবা নূংগী লায়েংবা বাবা লাইশ্রম নবকিশোরগী মচানুপা ওজা লাইশ্রম সুধাকরনা হাপ্তা তরুক (৬) লায়েংবীবদগী নূং অদু তাখ্রে। মসিগীদমক্তা ওজা সুধাকরবু পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না অপেনবা ফোঙদোকচরি।

**Sd/- M. Guni Devi**
Pukhao Naharup
HL-P/6595/15



ICEIT COMPUTER INSTITUTE
Keishampat Junction, Rural Bank Building, Wahengleikai Road
COURSES OFFER:-
10% off

| Course | Duration |
| --- | --- |
| HDCA | 1 year |
| CHN | 3/6 Months |
| DCA | 6 Months |
| ACA | 3 Months |
| DTP | 2 Months |
| COA | 2 Months |
| CCB | 1 Months |
| Accounting Tally | 2 Months |
| Spoken English | 2 Months |
| Printer repairing | 1or 2 " |

Programing languages C, C++, VB, JAVA, ORACLE, PSP etc.

OUR FEATURES:-
1) Non Stop Power Supply
2) 8-17 Years Experience Teachers
3) New Teaching Methods And Techniques
4) Male And Female Teachers
5) One Computer - One Student
6) Boys & Girls Hostel Facility
HL-P/6574/8,15,17,19,21,23,25



IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI
Ref :- Mut. Case No. 165/SDC/IW(N) Sekmai of 2020
Dt. 4/3/2020
Kangjam Ranjana Devi D/o (L) Sanajaoba Singh of Leimakhong Chingmang. ...Petitioner
-Vs-
Kangjam Sanajaoba Singh S/o (L) Yaima Singh of Chingmang. ...Pattadar
/ NOTICE
Sekmai, the 5/3/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি Imphal West Tashil Village No. 38 - Khurkhul Under Patta No. 629, 701 (Old), 76/2018 (New), Covered by C.S. Dag No. 203/785 গী area 0.04 acres চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারিশিং অসিনা নামা পানবীরো হায়দুনা SDC, Sekmai গী কোর্টতা এপ্লিকেসন থারক্লে অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগো লোয়ননা SDC, Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কেস মখা চথজখ্রনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Imphal West (North) Sekmai**
HL-P/6597/15



IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI
Ref :- Mut. Case No. 163/SDC/IW(N) Sekmai of 2020
Khumbongmayum Biren Singh S/o (Late) Gourahari Singh of Uripok Mayai Leikai. ...Petitioner
-Vs-
Khumbongmayum Thoibi Devi D/o (L) Anganghal Singh of Uripok Haobam Dewan Leikai. ...Pattadar
/ NOTICE
Sekmai, the 4/3/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি Imphal West Tashil Village No. 41-Loitang Khunou Under Patta No. 223 (Old), 102 (New), Covered by C.S. Dag No. 1032 গী area 1.26 acres চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নামা পানবীরো হায়দুনা SDC, Sekmai গী কোর্টতা এপ্লিকেসন থারক্লে অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগো লোয়ননা SDC, Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কেস মখা চথজখ্রনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Imphal West (North) Sekmai**
HL-P/6597/15